# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 29-05-2024)**

**ঈশিং (এল)ঃ** মনিপুরদা হৌখিবা নুমিৎ নিনি হুমনি অসিদা নোং লেপ্তুনা চুবদগী মফম কয়াদা ঈশিং ঈচাওগী অৱাবা মায়োকরি। রাজ্য অসিগী তুরেল অয়াম্বা ঈশিংগী ইমায় ৱাংনা চেল্লি। তুরেলগী মফম কয়াদা ঈশিং পাথোরকপদগী অকুপ্পা মফমশিং ঈশিং থুমজিল্লে। মসিগী য়েংলগা সরকারনা অখন্ননা চেকশিন থৌরাং কয়া লৌখৎলি।

মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা ঈচাওনা শোকহল্লবা মফমশিংদা কোইনা চৎতুনা য়েংশিনখ্রে। মুখ্য মন্ত্রিনা ইম্ফালগী নোর্থ এ.ও.সি, কংলানচিংবা মফমশিংদা চৎতুনা য়েংশিনখি।

সাইক্লোন-রেমলনা মরম ওইদুনা রাজ্য অসিগী জিলা অয়াম্বদা ঙরাং অকনবা নোং চুখি। তমেংলোং জিলাদা মিলিমিটর ১৫৭ য়ৌনা নোং চুখি। বিষ্ণুপুর জিলাদা মিলিমিটর ১১৬, চুরাচান্দপুরদা মিলিমিটর ৬৯.২, ইম্ফাল ইষ্টতা মিলিমিটর ৮৬.৮, ইম্ফাল ৱেষ্টতা ১০৬.২, ককচিংদা ৬৩, নোনে জিলাদা ১০৭.৬, উখ্রুলদা মিলিমিটর ১৪২.৪ গী চাংদা নোং চুখি।

অকনবা নোং অসিনা মরম ওইদুনা নোনে জিলাগী লোংমাই বজারদা মহৈরোইশিংগী হোষ্টেল অমা ঈশিংনা চেন্থখ্রে হায়রি।

মরি লৈনবা দিপার্টমেন্টশিং, সেক্যুরিতি পার্সোনেলশিং, এন.দি.আর.এফ. অমসুং লোকেল ভোলুন্টিয়ারশিংনা ঈশিং ঈচাওনা শোকহল্লবা মীওইশিংবু মফম কয়াদা তেংবাং পীবগী থবক চথরি।

ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্টকী পাউনা হায়-নোংলৈ নুংশিৎ রেমলনা অৱাং নোংপোক রাজ্যশিং, নোংপোক থংবা অসাম অমসুং অতৈ য়ুমলোন্নবা রাজ্যশিংদা নোং অসি ঙসি ফাওবা চুখিগনি। আই.এন.বি. ইম্ফালগী সাইন্টিষ্ট (দি) কে. অম্বেদকরনা হায়-ঙসি তমেংলোং, জিরিবাম, উখ্রুল,

কামজোং, নোনে, চান্দেল, তেংনৌপল, চুরাচান্দপুর অমসুং ফেরজোল জিলাদ অকনবা নোং চুগনি।

তম্পাক্কী জিলাশিংদসু ময়াই ওইরপ্পদগী য়ামা কনবা নোং চুরবা য়াই।

অমরোমদা, মনিপুরদা লেপ্তুনা চুরক্লিবা নোংনা মরম ওইদুনা মীয়ামনা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং অসিগী য়েংলগা তোঙান তোঙানবা জিলাশিংগী দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনশিংনা এদভাইজরিশিং থোকখ্রে। এদভাইজরিশিং অদুগী মতুং ইন্না মীয়ামনা চান্ন থকবা পোৎলমশিং মনাক নকপা দুকানশিংদগী লৈশিনদুনা থম্বা, খুদক্কী ওইবা অশোক-অপন থোক্লকপদা তেংবাং পীনবা মেদিকেল কিদশিং লৈশিনদুনা থম্বা লোয়ননা মীয়ামনা ফিভম অসি ফৎত্রিবা ফাওবা লৌবুক লমহাংদা থবক শুদনবা, পীক্লিবা অঙাংশিং অমদি অহল-লম্মনশিং য়ুমদগী মপান থোকহন্দনা থমবা হায়রি।

**স্কুল(এল)ঃ** মনিপুরদা লৈরিবা স্কুলশিং ঙসিদগী হৌরগা লাক্লিবা ইরাই নুমিৎ ফাওবা ছুতি থাদোকখ্রে।

রাজ্যগী এদুকেসন (এস) কী দিরেক্তা-লাইশ্রম নন্দকুমারনা থোকপা চেরোল অমনা হায়-মনিপুরদা লৈরিবা কালেন ছুতি থাদ্রিবা গভরমেন্ট, গভরমেন্ট এদেদ অমসুং লন্নাই স্কুলশিং অমদি সেন্ত্রেল স্কুলশিং ইরাই নুমিৎ ফাওবা ছুতি থাদোকখ্রে। চেরোল অদুনা মখা তানা হায়-ছুতি থারিঙৈ মনুংদা কনাগুম্বা স্কুল অমত্তনা এদমিসন তৌবা অমদি এন্ত্রান্স টেষ্ট পাঙথোকপা য়ারোই।

মরক অসিদা, মনিপুর য়ুনিভরসিটিনা লৌবা অন্দর গ্রেজয়েট ইগজামগী ঙসিদগী হৌরগা তাং ৩১ ফাওবা পাঙথোক্কদবা পরিক্ষশিং য়ৈথোকলে। মনিপুর য়ুনিভরসিতিগী কন্ত্রোল ওফ ইগজামিনেসননা থোকপা চেরোল অমনা হায়-পরিক্ষাগী অনৌবা মতম কোন্না লেপকনি হায়রি।

**ৱাটর (এল)ঃ** নোং লেপ্তুনা চুবনা মরম ওইদুনা তুরেলগী ইমায় ৱাংখৎলক্লিবা

অসিগী য়েংলগা খুদক্কী ওইবা তেংবাং পীনবগীদমক রাজ্যগী ৱাটর রিছোর্সেস দিপার্টমেন্টনা মরি লৈনবা ওফিসিএলশিংদা খঙহনখ্রে।

কনাগুম্বশিংনা লৌনম্বাল কায়বা য়াবা অমদি পাথোরকপা য়াবগী ওইথোকপা থেংনরবদি ইম্ফাল ইষ্ট, জিরিবাম, সেনাপতি অমদি কাংপোকপী জিলাশিংগী ওইনা টেলিফোন নম্বর-৮৭৭-০১৯৫-৩০৬, ইম্ফাল ৱেষ্ট, নোনে, তমেংলোং, তেংনৌপল অমদি উখ্রুল জিলাশিংগী ওইনা টেলিফোন নম্বর-৯৮৫৬-২০৮-৮২৯, থৌবাল, ককচিং অমদি চান্দেলগী ওইনা ৮৭৯৮-৪৭১-৫০৫, বিষ্ণুপুর অমদি চুরাচান্দপুরগী ওইনা ৭০০-৫৫২০-২৭৪ দা পাউ পীরকপা য়াগনি হায়রি।

**ত্রেন্নিং (এল)ঃ** ১৮ শুবা লোক সভা মীখলগী ভোট মশিং থিনবগীদমক বিষ্ণুপুর জিলাগী ওইনা অনিশুবা তাঙ্কক্কী ত্রেন্নিং জিলা অসিগী পঞ্চায়ট রিছোর্স সেন্টর মিণি সেক্রেটরিয়েট কমপ্লেক্সতা পাঙথোক্লগনি।

ত্রেন্নিং থা অসিগী ৩১ অমসুং মথং থাগী অমদা পাঙথোক্কনি হায়না বিষ্ণুপুর জিলাগী দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসারনা হায়রি।

**মোদিঃ** লোক সভাগী তরেৎশুবা অমসুং অরোইবা তাঙ্কক্কী মীখলগী ভোট খোম্বগী থবক খম থেংনা কল্লে। বি.জে.পি. লুচিংবা অমসুং প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি উরিষ্যাগী ময়ুরবন্স অমসুং বালাশ্বরদা পাঙথোকপা মীখলগী রেল্লিশিংদা শরুক য়াগনি।

শ্রী মোদিনা নোংচুপ বেঙ্গোলগী মথুরাপুরদা পাঙথোকপা রেল্লি অমদসু শরুক য়াগনি।

কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহসু উত্তর প্রদেসকী গাজিপুরদা পাঙথোকপা রোড সো অমদা শরুক য়াগনি। মহাকা বালিয়া, দিয়োরা, মহারাজগঞ্জ অমসুং রোবার্টসগঞ্জদা পাঙথোকপা মীখলগী রেল্লিশিংদসু শরুক য়াগনি।

রোড ত্রান্সপোর্ট অমসুং হায়ৱেজ মন্ত্রি-নিতিন গদকারিনা হিমাচল প্রদেসকী উনা অমসুং পুলুদা পাঙথোকপা মীখলগী রেল্লিশিংদসু শরুক য়াগনি।

বি.জে.পিগী নেসনেল প্রসিদেন্ট-জে.পি. নদ্দানা ঙসি ঝরখন্দগী দিয়োঘরদা পাঙথোকপা মীখলগী মীতিন অহুমদা শরুক য়াগনি। উত্তর প্রদেসকী মুখ্য মন্ত্রি-যোগী অদিত্যনাথনা গোরাগপুরদা পাঙথোকপা রোড সো অমদা শরুক য়াগনি।

কংগ্রেসকী মকোক-মালিক অরজ্ন খর্গেনা উরিষ্যাগী বালাশ্বর অমসুং ভদ্রগতা পাঙথোকপা মীখলগী মীতিনশিংদা শরুক য়াগনি। কংগ্রেসকী জেনরেল সেক্রেটরি-প্রিয়াঙ্কা ভদ্রসু হিমাচল প্রদেসকী কুলু অমসুং মান্দিদা পাঙথোকপা মীখলগী রেল্লিশিংদা শরুক য়াগনি।

সমাজৱাদি পার্টিগী মকোক অমসুং  উত্তর প্রদেসকী হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি-অখিলেস য়াদবসু ঙসি রোবার্টসগঞ্জতা পাঙথোকপা মীখলগী মীতিনশিংদা শরুক য়াগনি।

**মোদিঃ** বি.জে.পি. মকোক থোংবা লুচিংবা অমসুং প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদি নুমিৎ হুমনিগী খোঙচৎতা হয়েং কৈন্যাকুমারীদা চৎকনি। মহাকা মফমদুদা রোগ মেমোরিএল অমসুং ধ্যান মন্দাপমদা মেদিটেসন তৌগনি হায়রি।

**রাজস্থানঃ** রাজস্থানদা শাবনা মরম ওইদুনা মীয়ামগী পুন্সিদা চাউনা অকায়বা থোক্লে।

ঙরাং রাজ্য অসিগী চুরুদা শাবগী চাং সেলসিয়স দিগ্রী ৫০ হেনখি। মসিগা মান্ননা শ্রীগঙ্গানগর, পিলানি অমসুং ফালোদিনচিংবা মফমশিংদা সেলসিয়স দিগ্রী ৪৯ য়ৌনা শাখি। রাজ্য অসিগী অতৈ মফমশিংদসু সেলসিয়স দিগ্রী ৪৮ য়ৌনা শাদুনা মীয়ামগী মহৌশাগী পুন্সিদা চাউনা অকায়বা পীখি।

অকাশবানি পাউমীনা হায়-কা হেন্না শাবা অসিনা মরম ওইদুনা মীয়ামনা

য়ুমদগী মপান থোকপা ঙমনখিদবনা মরম ওইদুনা অয়ুক পুং ১০ গী মতুংদদি সহরশিং অসি কার্ফিয়ুগা মান্নবা ফিভম ওইখি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

সনা লৈবাক্তা-সাইক্লোন রেমাল-তুরেলগী তোবর্বান মফম কয়াদা পায়রে, ইম্ফালগী মফম অয়াম্বা ঈশিং থুমজিনখ্রে, নম্বুল ত্‌রেল পারে, ইরং থোং চৎখ্রে, চীং নিংখায়বদা ত্রক লোকখাদা তাখ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

হুইয়েন লানপাউদা-লৈঙাকা মাংজোননা চেকশিন থৌরাং লৌখৎহৌদবদগী সাইক্লোন রেমালনা মীয়াম্বু ৱাহল্লে হায়না বেন্নর হেদলাইন তৌরি।

সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরিদা-সাইক্লোন রেমাল, চীংসু তমসু মনিপুর পুমতাও তাওরে হায়না বেন্নর হেদলাইন তৌরি।

সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিসতা-অরুনধাতি রোইগী মথক্তা এফ.আই.আর. অমা লোঞ্চ তৌখ্রে হায়বা পাউ, পাউ চে অসিগী অনিশুবা হেদলাইন ওইরি।

নহারোলগী থৌদাংদা-ঙরাংদগী চুরকখিবা নোংনা তুরেল কয়া পাথোরক্তুনা ঈশিংনা পুংকোই কোইশিনখ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি। সাইক্লোন রেমালনা ইন্দিয়াগী মফম কয়াদা শিহনখিবা মীওই ৩৪ শুখ্রেঃ আই.এম.দি. হায়না অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

পোকফমদা-ইরাং থোং ঈরৈনা চেন্থখ্রে, ইম্ফাল-জিরি লম্বী ফাওনদ্রে, গাড়ি ২১৮ পন্দুনা লৈরে হায়না অহানবা লামাইদা ফোংলি।

পিপলস ক্রোনিকলদা-অকনবা নোং চুবনা মরম ওইরগা রাজ্য অসিদা লৈরিবা স্কুলশিং নুমিৎ হুমনি ছুতি থাদোকখ্রে হায়বা পাউ অহানবা লামাইদা ফোংলি।

ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতা-এম.এস.পি.দি.সি.এলনা কম্পানি অসিগী

ওফিসারশিং ঈশিং ঈচাওগী ফিভম অসিগী য়েংলগা মীকুপ নাহুমশিংনা লৈনবা খঙহনখ্রে হায়বা পাউ অহানবা লামাইদা ফোংলি। ৱাংজিং তুরেল খুদোংথিবা থাক্কী মথক্তা চেল্লে হায়বা পাউ অমসু পাউচে অসিগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

মনিপুর ন্যুজতা-নোং লেপ্তুনা তাবদগী তুরেল অয়াম্বা ঈশিংগী ইমায় খুদোংথিবা থাক্কী মথক্তা চেল্লে, ইরং থোং চেন্থখ্রে, ইম্ফাল তুরেল কায়রে, ত্রক অমা লোকখাদা চেন্থখ্রে, ইথাই বেরেজ গেট হাংদোকখ্রে, ঈচাও লাকশিন্নবা থবক পায়খৎপা হৌরে, মীয়ামা পুকিং ফাথনা লৈবিয়ু, মীপায়বা পোকপীগনু- সি.এম. হায়না অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

মোরনিং বেলদা-অৱাং নোংপোক্তা সাইক্লোন রেমালনা মী ৩১ শিনহনখ্রে, অমাং অতা কয়া থোকখ্রে হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

হিলস হোর্ন বিল এক্সপ্রেসতা-ঈচাও মায়োকরে, দি.সিনা রিলিফ কেম্পগীদমক ওফিসিএল কয়া হাপখ্রে অমসুং সেনাপতি পুলিসনা ত্রাফিক এদভাইজরি থোকখ্রে হায়না মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

গানফিয়ু মেলদা-সাইক্লোন রেমালনা মরম ওইদুনা তমেংলোংদা পৱার সপ্লাই, মোবাইল নেটৱার্ক ফংদ্রে, ইম্ফালগা ফাওনবা লম্বীশিং অমদি সব-দিভিজনেল হেদক্বাটরশিং ফাওনবা লম্বীশিং অকনবা নোংনা মরম ওইদুনা থিজিংনখ্রে হায়না মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।